**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-06-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মনিপুরদসু ঙসি ড্রগ লান্না শিজিন্নবা অমসুং আইন কায়না লল্লোনবগী মায়োক্তা লেপ্পা মালেমগী নুমিৎ পালন পাক শন্না পাঙথোকখি।

২) ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা রথ যাত্রা-কাং চিংবগী থৌরম হয়েং পাঙথোকবা মপুং ফানা শেম শারে।

৩) ১৭ শুবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দ ঙসি লাউথোকখ্রে।

৪) মণিপুরদা ঙসি মীওই ১৩ নৌনা কোভিদ নাইন্তিন পোজিতিভ ওইখি, হৌজিক এক্তিভ কেস ১৩৫ লৈরি।

অমসুং

৫) চিনাদা পাঙথোক্লিবা সংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী ঙাকশেল মন্ত্রিশিংগী মীফমগী জোইন্ট দিক্লারেসনদা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা সহি তৌখিদ্রে।

**------**

ডে (এল)ঃ মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি ড্রগ লান্না শিজিন্নবা অমসুং আইন কায়না লল্লোনবগী মায়োক্তা লেপ্পা মালেমগী নুমিৎ পালন পাক শন্না পাঙথোকখি। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী হীরমদি-‘দ ইভিদেন্স ইজ ক্লিয়ার: ইনভেষ্ট ইন প্রিভেন্সন’ হায়বসিনি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টনা জিলা অসিগী সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিসকা পুন্না শিন্দুনা ঙসি ইন্টরনেসনেল ডে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ অমদি ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগী পালন থৌরম ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎতা লৈবা দি.আই.সি. হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবী ইম্ফাল ইষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিসনার ডাঃ নিভেদিতা লাইরেনলাকপমনা হায়- ময়াই কাবা ড্রগ নিশাদগী লাপা লৈদুনা অচংবা খুন্নাইগী যুম্বী অমমম ওইননবা হোৎনগদবনি।

থৌরম অদুদা রিমসকী সাইকিয়াত্রি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসার ডাঃ আর.কে. লেনিন য়াওনা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

প্রেস ইনর্ফোমেসন ব্যুরো-রিজনেল ওফিস ইম্ফালনসু ইন্টরনেসনেল ডে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ অমদি ইলিসিট ত্রাফিক্কিং ২০২৫ গা মরী লৈননা ভরটা হায়না মিংথোনবা মেদিয়া ৱার্কশোকপ অমা ঙসি মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

পালন থৌরম অসি খা মণিপ্র যোগ এন্দ নেচর কিয়োর এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ককচিংগী এস.পি. প্রিয়াদরসিনি লাইশ্রমনা হায়- ময়াই কাবা ড্রগনা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা পীরিবা চৈথেং অসি কোকহন্নবা মীয়াম পুন্না থৌদাং লৌমিন্নবা মতম ওইরে। পুলিস দিপার্টমেন্টনা ড্রগা মরী লৈননা লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিংদা মীয়ামা মতেং পাংবীনবসু এস.পিনা আপীল তৌখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবাম অমদি দিষ্ট্রিক্ট পুলিস জিরিবামনা পুন্না শিন্দুনা পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা ৱাল্কাথোন অমা পাঙথোকখি। ৱাল্কাথোন অদু জিলা অসিগী এস.পি. শৈখ মুহমদ জাবির জাকিরনা লুচিংদুনা জিরিবাম ষ্টেচুদগী হৌরগা দিবোংগী ঈচেল ক্লব ফাওবা চৎখি।

কাদানা শিন্দুনা ঐচ.আর.দি. একাদমি ঘারিদা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট লেবেল ওপন দিবেতিং কম্পিতিসন অমা পোরোমপাৎতা লৈবা মোর্দন কলেজদা দেসামনা শিন্দুনা পাঙথোক্লি।

মোইরাং পুলিস ষ্টেসন্না এল.সি.এম স্কুল মোইরাংগা পুন্না খুৎশমদুনা পালন থৌরম অসি পাঙথোকখি। মদুদা মহৈরোই ১৫০ রোমা শরুক য়াখি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-মনিপুর ষ্টেট ব্রান্স অমদি নেসনেল পিপলস য়ুথ ফ্রন্টকা খুৎশমা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমসু রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসনদা পাঙথোকখি।

ড্রগ লান্না শিজিন্নবা অমসুং আইন কায়না লল্লোনবগী মায়োক্তা লেপ্পা মালেমগী নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট পুলিস থৌবালনা শিন্দুনা বাইক রেল্লি অমা চৎখ্রে। সে নো টু ড্রগস, য়েস টু লাইফ হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথোকখিবা বাইক রেল্লি অদু লিলোং হাওরৈবী কলেজ গেটতগী থৌবালগী দিপ্যুতি কম্মিসনার হননা কামৈনা লমথাখি। তুংদা, দিপ্যুতি কম্মিসনারনা লুচিংদুনা মীয়ামা ময়াই কাবা চীঞ্জাক লৈতবা লমদম অমা ওইহল্লশি হায়না ৱাশক লৌখি।

পালন থৌরম অসি তমেংলোংগী আই.দব্লিউ.সি.এফ কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা ময়াই কাবা চীঞ্জাক অমদি নীশাগী অমাংবশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শিন্দুনা ঙসি ময়াই কাবা ড্রগ লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা লু-নানবগী থৌরম অমা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরস অমসুং চকপিকারোং পুলিস ষ্টেসনদা পাঙথোকখি। থৌরমশিং অদুদা পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি হায়রি।

রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস রিমস ইম্ফালনসু পালন থৌরম অসি পাঙথোকখি। রিমসকী সাইকিয়াত্রি দিপার্টমেন্টনা মপুং ওইনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইন্সটিট্যুট অসি মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিংনা শরুক য়াখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী এন.এস.এস. সেলনা শিন্দুনা পালন নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মিসন ড্রগ ফ্রি কেম্পস হায়না মীংথোনবা নোংমগী ওইবা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শকাইরবা ওজাশিংনা ৱা ঙাংখি।

ড্রগ লান্না শিজিন্নবা অমসুং আইন কায়না লল্লোনবগী মায়োক্তা লেপ্পা মালেমগী নুমিৎ পালন্না লাকপদা হান্নগী শিক্ষা মন্ত্রি অমসুং এম.এল.এ থৌনাউজম বসন্তকুমারনা হায়- ঐখোয় পুন্না থৌদাং লৌমিন্নদুনা মণিপুরবু ময়াই কাবা ড্রগ লৈতবা লমদম অমা ওইহন্দুনা হৌরক্লিবা নহারোলশিংগী অচৌবা মঙলানশিং মঙফাওনহনবা ঙম্বা লমদম অমা ওইহল্লশি। হেন্না ফবা তুংলমচৎকী মণিপুর অমা শেম্মিন্নরশি হায়রি।

কাং (এল)ঃ ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা রথ যাত্রা-কাং চিংবগী থৌরম হয়েং পাঙথোকবা মপুং ফানা শেম শারে।

মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দিরদা লাইনিং লাইশোল অমসুং মহৌশাগী চৎনবীগা লোয়ননা পাঙথোক্কনি। ভগবান জগনাথ, বলভদ্র অমসুং মচল ইবেম্মা সুবদ্রা তোংদুনা চিংগদৌরিবা রথ, নুমিৎ খরনিগী মমাংদা নিংথিনা লৈতেংদুনা কোনুংগী সনথোঙদা ঙান্থোইদুনা থল্লে।

ইম্ফালদা লৈবা ইস্কোন মন্দিরদসু ২৫ রক শুবা রথ যাত্রাগী থৌরম হয়েং পাঙথোকবা শেম শারে। ইস্কোন মণিপুরগী পাউনা হায়- কুমশি চহিগী ওইনা রথ যাত্রা- কাং চিংবগী থৌরম ইস্কোন মন্দিরদগী হৌরগা ক্বাকৈথেল বজার ফাওবতমক চিংগনি।

কাং চীংবগী থৌরমনা লাকপদা- মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা হায়- কাং চিংবা অসি ধর্ম্মগা মরী লৈনবা কুম্মৈ অমা ওইবতা নত্তনা ঐখোয়গী কলা সংস্কৃতি, থাজবা অমসুং অপুনবগী শক্তম উৎলিবনি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিদা শান্তি, হকচাং ফবা অমসুং নুংশি চান্ননা নুংঙাইনা হিংমিন্নবা লমদম অমা পুরকপা ওইরসনু।

হান্নগী শিক্ষা মন্ত্রি অমসুং এম.এল.এল- থৌনাউজম বসন্তকুমারনা পীবা কাং নুমিৎকী পাউজেলদা হায়- ভগবান জগনাথকী কাং চিংবগী থৌরম অসি ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা নীংথিনা পাঙথোক্কুনা রাজ্য অসিদা লৈমিন্নরিবা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা অমসুং অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন হেন্না ফাওহনবা ওইরসনু। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিদা ইংথবা তপথবা অমসুং শান্তি ওইবা লমদম অমা পীনবীরম্বা ওইরসনু হায়রি।

হান্নগী মন্ত্রি অমসুং এম.এল.এ য়ুমাম খেমচান্দনা কুম্মৈ অসিগা মরী লৈননা পীবা পাউজেলদা হায়- কুম্মৈ অসিনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা জাতি কাংলুপশিং অমত্তা ওইনা পুন্না শরুক য়ামীন্নদুনা ইং-তপ্পা লমদম অমা ওইহন্ননবা থৌনিমিন্নরশি।

মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনসু কাংগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। দল অসিগী প্রসিদেন্ট কৈশাম মেঘচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- জগৎকা মবুংঙো শ্রীজগনাথকী মতিক মগুনবু শকচা শোঞ্জবগী থৌরম- রথ যাত্রা-কাংনা লাকপদা থৌরম অসি পাঙথোকপগা লোয়ননা মণিপুরদা শান্তি লৈবা ইং তপ্পা লমদম অমা পুরকপা ওইরসনু।

ফিলম (এল)ঃ ১৭ শুবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দ ঙসি লাউথোকখ্রে। আর্ট এন্দ কলচরগী স্পেসিয়েল কম্মিসনার এম. জোয়না পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতি প্রিভিউ থিয়েটরদা এৱার্দশিং অদু লাউথোকখি।

ডাঃ অরাম্বম লোকেন্দ্রনা লাইফ টাইভ এচিভমেন্ট এৱার্দ ফংখ্রে। মনোরঞ্জন লোংজমনা দিরেক্সন পীবা লাঙ্গোইনা বেষ্ট ফিচর ফিলম তাখ্রে। বেষ্ট পোপুলর ফিলম প্রোভাইদিং হোলসম এন্তরতেনমেন্টনা- উনা উনাদা পীরগনি। এৱার্দশিং লাউথোকপগী থৌরম অদুদা ফিচর ফিলম কেটগোরিগী জ্রি চেয়ারমেন ওইখিবা দিলিপ ময়েংবমা হায়- অথোই অহেন চাংদমবা অসিগীদমক ফিলম ১৫ থাজিল্লকখি। ফিলম পুথোক্লিবশিং অমদি নল্লিবশিংনা য়ামা চেকশিন্না

ফিলম নম্বগী মমি চাউনা তাই।

কোবিদ (এল)ঃ  মণিপুরদা ঙসি মীওই ১৩ নৌনা কোভিদ নাইন্তিন পোজিতিভ ওইখি। ঙসিগী ওইনা মীওই ৪০ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা মীওই ১৩ পোজিতিভ ওইখিবনি। পোজিতিভ ওইবগী চাং চাদা ৩২.৫ নি। হৌজিক এক্তিভ কেস ১৩৫ লৈরি।

ডে (এল)ঃ  ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী থাংমৈবন্দ চৈরাওচীংদা পাঙথোকখ্রে। নেসনেল প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেত চেঞ্জ এন্দ হ্যুমেন হেলথ, থাংমৈবন্দ য়ুনাইতেদ ক্লব অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মিসন সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্টনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা প্লাষ্টিক বোট্টল বেঙ্কশিংসু য়েন্থোকখি।

ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগা মরী লৈননা ঙসি ক্যামগৈদা লৈবা মচা ইবুংঙো খাগেন্দ্রা লাইশঙগী অকোইবদা কৈরাউ কেন্দ্রগী এম.এল.এ- লৌরেম্বম রামেশ্বরনা লুচিংদুনা উ চারা কয়া থাখ্রে।

কেম্প (এল)ঃ  এম.এম. ভিজন সেন্তর, দিভলপমেন্ট কমিতি লাংজিং অচৌবা মখা লৈকাই, য়াইফ লমজিং ক্লব, ৱিমেন দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন লাংজিং অচৌবা মখা লৈকাইনা পুন্না খুৎশমদুনা ঙসি নোংমগী ওইবা লেমা মীৎ লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা পুন্না মীওই ১৫০ হেনবগী মীৎ লায়েংখি।

এৱার্দ (এল)ঃ  হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংদা জাতি থাক্কী মনাশিং পীননবা মথং থাগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা ওনলাইনদা দরখাষ্টশিং থারকপা য়াগনি হায়রি। ষ্টেট কম্মিসনার ফোর পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ মণিপুরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- মরী লৈনবশিংনা রাষ্ট্রিয়া পুরুস্কার পোর্তেল- দব্লিউ দব্লিউ দব্লিউ

দোট এৱার্দস দোট জি.ও.ভি দোট ইন-দা ওনলাইনগী খুথাংদা দরখাষ্টশিং থাজিল্লক্কদবনি।

দিফেন্সঃ চিনাদা পাঙথোক্লিবা সংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী ঙাকশেল মন্ত্রিশিংগী মীফমগী জোইন্ট দিক্লারেসনদা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা সহি তৌখিদ্রে।

সরকারগী পাউনা হায়- জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অদুগী ৱারোলদা ঙমখৈ লান্না তেরোরিজমগী থবক থৌরমশিং চঞ্চবগী মতাংদা ময়েক শেংনা পনদবা মরমনা ভারতনা মদুদা সহি তৌখিদবনি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাজনাথনা হায়- ক্রোস বোর্ডর টেরোরিজম থিংননবা টেরোরিষ্টশিংদা শেন্থং পীথরিবশিং অসি খঙদোকমীন্নবা অমদি মখা তানা শেন্থং পীথদনবা পুন্না হোৎনমীন্নবা তঙাইফদে। মহাকা হায়-লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা মতেং পাংনবা অমদি ৱারী ৱাতাহ শান্নবনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থিংবা ঙমগনি।

সুক্লাঃ ভারতকী এস্ত্রোনোট-সুভানশু সুক্লা য়াওনা ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসনদা চৎখিবা একজিয়োম ফোর মীসন ঙসি নুমিদাংৱাইরম ইন্তরনেসনেল স্পেস ষ্টেসনদা থুংখ্রে।

ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী গ্রুপ কেপ্তেন সিবাসু সুক্লা য়াওবা একজ্যোম-ফোর স্পেচ এক্স দ্রেগোন স্পেচক্রাফট অদু ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা ইন্তরনেসনেল স্পেচ ষ্টেসনদা অশোই অঙাম য়াওদনা থুংখিবনি। মসিনা ভারতনা চহি ৪১ গী মতুংদা স্পেচতা এষ্ট্রোনোট অমা মায় পাকা চৎপা ঙন্বগী ইতিহাস শেল্লে। সুবাসু সুক্লানা স্পেচতা চৎপা অনিসুবা ভারত মচা ওইরে। মহাক্কী মমাংদা কুমজা ১৯৮৪ দা রাকেশ শর্ম্মনা স্পেচতা চৎখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ --

ফুটবোল (এল)ঃ অনিসুবা প্রিমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি লাংজিং অচৌবা তর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা- ৱাংগোই ফুটবোল এসোসিয়েসন অমদি সাউদর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

অমফা (এল)ঃ  থাইলেন্দগী চিয়াংমাইদা পাঙথোক্লিবা এ.এফ.সি ৱিমেন্স এসিয়া কপ ২০২৬ ক্বালিফায়রদা শরুক য়াগদবা ভারতকী স্কৱাদতা মণিপুরদগী শান্নরোই ১০ য়াওরি। শান্নরোইশিং অসিনা ভারতকী স্কৱাদতা য়াওরকপদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

কেলেন্দর (এল)ঃ  ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী অমফা কেলেন্দর ২০২৫-২৬ ফোংখ্রে। কেলেন্দর অসিগী মতুংইন্না পাঙথোক্কদবা তুরনামেন্ট অমদি থবক থৌরম কয়গী মতমসু লেপখ্রে। মসিগা লোয়নননা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসনশিংনা নুপামচা অমদি নুপীমচাশিং অন্দর থার্তিন, অন্দর ফিফতিন অমসুং অন্দর সভেন্তিনগী তুরনামেন্টশিং পাঙথোকবসু খঙহল্লি।

ফুটবোল (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী চালৌ গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা প্রিক্বাটর ফাইনেল মেটচশিংদা- দাইভরজেন্ট এফ.এনা থম্মোয়জাউ এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা, ই.য়ু.এস.সি তেলৌনা বি.এস.য়ু ককচিংবু পাঞ্জল ৪-২ দা অমদি ৱাই.এস.দব্লিউ.সি লৌশাংখোংনা হৈঙাং এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

------